ৱারী ককনাউ

# মরিশুবা ৱাশক

## —নরেন্দ্র নিঙোম্বা—

**অয়ুক**ৱাকিং অসুম চৎপবদগী পার্টি থেংনদুনা ঙাইহাক ফম্মুসি হায়না ফল্লুবদগী নামৈদা য়াওরম্বা শেল ময়াম লোইনা রম্মি শান্নবদা থাদোক্লে। পৎ তৎলবা মতুং থংনবদগী পু-পুদুনা শান্নববু দাও য়াখিদ্রবা হায়দুনি, ফাগী ফাগীদগী লুপা লিশীং মঙা শুরে মাঙখিবা। নুংশাসু কন্না য়ৈদুনা শাগৎলকই। শেল মাঙবগী শাবা কোকনে, নুংশানগা শাবনে হান্নগা কুচু খরা মুরে লোইরে অমুক্তোইবা তিনবুন নাপুমনা লৈনুংদগী থোরক্তু ঙাইরে ইবোচৌদু। মখোঙদু কদাইদা থাংইনো খঙদনা মরু লুকথদুনা লাকই। মখোয়গী য়ুমগী কোম্হোং য়ৌরম্মী। থুনা চঙশিল্লি। শুমাং মচি য়ৌরকপদা ইবোচৌ থাংলম্বা মখোংদু চপ লেপ্পী।

মাঙ্গোলদা মাগী নুপী ইবেলৈনা মচা নুপাদু মথুন্দা খুপাক্লা সেৎ-সেৎ থাদুনা ফু লৈরম্মী। মচা নুপাদুনা স্কুল চৎপগী ফিজোল শেৎলদুনা টাই মচা অমা পুল্লগা, ‘ইমা-ইমা’ হায়না কপ্পদু তাবদা ইবোচৌ নুংঙাইতে, চেনশিন্দুনা খুমনীংই, অদুবু মাগী নুপীগী ওইরিবা সপত্রদুদা হেক চঙশিনবদু হঙ্গোইবোই করিবোই লকক লেপ্পগা য়েংদুনা লৈ। মাগী নুপীদি মৈ হৌরে।

“নঙসু নপা অঙাউবসিদৌনা মথোং চারোইদৌরিবনি, নঙদা শিজখ্রো, অসুক মথোং চাদবসিবু কমাই তৌদোইনো, নঙনা হিংলগা মীৱা তাদৈ শরুক শিজখ্রো”

ৱাদু খরদি কল্লি হায়বা ইবোচৌ খঙই। মা য়াওনা পক-পক্তুনা ঙাঙবদু খল্লি। চুমদি চুম্মী মানা হায়রিসি। ঐসি মথোঙদি কয়া চাবা নৎত্রে। অদুবু ঐ কৈদৌনি, ইমান ইমান্নবা লোয়না মতিক চাবা মী ওইখ্রে। ঐদনি শুফম নোমফম খঙদনা লৈহৌরিসি। অঙাং ওইরিঙৈদসু তোনান্দুনা খূৎনা শুবা হৈবগী থবক অমত্তা তৌহৌদ্রে। খূৎনা হৈবা হায়বু জ্বার শান্নবসি মঙাইরে। সিসু ঙসি তপ তাখৈ মাঙলগা হল্লকইসিনি। হৌজিকপু ঐনা করিনো তৌদৌরিসে।

মাগী নুপীনা মমাই লৈথোরকপদা তান চান্নদুনা ইবোচৌবনা শুমাং মচিদা মঙ্গারকপগুম লেপ্পুনা লৈবদু হেক উরে, মা উবদগীদি ইবেলৈ ব্রং লাউনা শাউগৎতুনা নোং খোংবগুম খোঙথরকই, “কৈদৌরিবা অদুদা, উচি ঈশিং তাবগুম চবৎনদুনা অদুৱাইদা লেপশিন্নদুনগা কান্নরোই, থুনা চঙবিরকও, মীগী মমাঙদা ঐবু মৱা চৈবা ঙাঙবা তাহনবীগনু”

ইবোচৌবা তুকথদুনা চঙলকই। মাঙ্গোল মচিদা মচা নুপাদু হিক-হিক লাউনা তেংথাদুনা কপহৌরি। হায়ফেৎ য়েংলম্লগা ইমুংদা পরপ-পরপ চঙখি। মাগী নুপী ইবেলৈসু ইমুংদা চঙখি। ইবোচৌ মাগী ফমুংদা থোক কাখৎতুনা ফৈজুপ চিংখৎলি। ইবেলৈনা ফৈজুপতু চিংথরগা, “ঙসাইখৈ কাই চৎলুই, শুক থেংলবা ফাওবা চৎপা ৱাকিংসি করি লমদনো, হৌগৎলু ৱা ঙাঙনসি, অঙোম কনাগী ইমুংদনো জ্বার শান্নে হায়রিসে, কয়া ফংলবা কদাই পুথোরকও, অঙাংগী স্কুলগী ফি থিগদবনি, ফি থিনিংঙাই লৈতবদগী স্কুল চৎপা ঙম্লোই হায়না নিঙাই তৌরিবা নচাসিগী ফি থিননবা থম্বা শেলদু কদাইনো, কৈদৌবগীনো নঙনা ৱাকিং চৎপদা শেল পুরগা চৎলিবো, কদাই, কদাইনো?” ইবোচৌবা মাই নুপীনা হায়রিদু মুন্না য়েংলগা তুমিন তারি। খুমদে, অদুবু মথম্মোয়দা ঐসি দাও ওম্হোক্লা য়াখিদ্রেদকো, অকোনবগী মচু তাবদুদা থাখিবা ময়ামদু মমিৎতা নীংশিংলকই। অদুগা হায়দোক্নরকপা মতমদদি একা মচু তাবদুনা চাখিবা য়ামখ্রবা শেলদু শুপখোম খোমজিনখিবদু মমিৎতা উরকই।

“কৈনো ৱাগা অমতা ঙাঙদখৈ লাই ওক্লবদৌনা তৌরিদুবো, শেল পুথোরকও। অঙাংসে স্কুল চৎকদবগী ঙাই লৈরবনে” ইবেলৈগী অকনবা খোঞ্জাওদা ইবোচৌবনা তপ্পা হায়রকই, “ইবেলৈ ঐ শোয়খ্রে, হয়েংখৈদি ঐ জ্বার অমত্তা শান্নররোই। ঙসিদি নঙ ঐবু ঙাকপীরো”

“ও জ্বারদা লোইনা থাদোকখ্রবা, ফরে ঐবুদি শাউররোই, নচাসিগী স্কুলদি কমদৌবা?”

“হয়েং ওইনা থিরগে, ঐনা নংনবা শেলদু থিরগে”

“অসুম্না নঙনা নচাদা লংজরিবসি কয়া য়াম্মে, তৌফম খঙদদুনা ইচুম চুমজবা ইচাসিদা ঐনা ফুবিরিসি ঐসু নুংঙাইবোই নীংব্রা, নঙ হাকমল্লি, নঙ হেনমল্লি” ইবেলৈদো মখূৎনা মমাই খুমজিন্দুনা মথম্মোয় পেন্না কপখি। ইবোচৌ থেম্বসু ঙমদা, কয়া ৱানা খাঙখি। মথম্মোয়দা ৱাশক অমদি লৌরে “ঐ মতুংদা জ্বার অমুক হন্না শান্নররোই”। অমুকসু নীংশিংলকই। অসিগুম্বা ৱাশকসি মহাক মমাঙদসু অহুল্লক শকখ্রবনি।

---

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২০**

১। ‘চেরৈ’ ৱারীমচাগী লাইরিক্তুগী অইবা কনানো ?

২। ‘মমিগী মমি’ শৈরেংগী লাইরিকসি কবি কনানা ইরম্বনো?

৩। ‘কেক্টস মানবী’ ৱারীমচা ইবী অইবীদু কনানো?

৪। ‘কায়রবা ঈশিং পুন’ মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ০২, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৯ গী পাউখুমশিং**

১। পাচা মৈতৈ ২। রাজকুমার ভুবনস্না

৩। সত্যবতী নিংঙোম্বম ৪। এম মনি মৈতৈ ৫। লৈশাংথেম রামসিংহ

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৯ গী পাউখুম মঙামক অচুম্বা অমত্তা য়াওদবনা পাউখুম ৪ চুম্না খুন্নকপশিং খনগৎলগা দ্রো ওৎচবনি।**

**পাউখুম ৪ চুম্না থাবিরকখিবশিংদি —**

১। *তেন্সুবম সিবানন্দ সিংহ, পোইরৌখোংজিন অৱাং লৈকায় কাইনা রোদ মনারৈ মখোঙ* (৪)

২। হাওবিজম সনাথোই দেবী, লংথবাল ফুরামখোঙ নম্বুল মপাল (৪)

৩। হাওবিজম সন্ধ্যারানি দেবী, লংথবাল ফুরামখোঙ (৪)

৪। জোতিসন তেন্সুবম, পোইরৌখোংজিন অৱাং লৈকায় (৪)

৫। তেন্সুবম উমেস সিংহ, কৌব্রু হোষ্টেল নম্বর - ২, এম য়ু (৪)

৬। সগোলসেম লল্লেবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায় (৪)

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১৯ গী ৱিন্নর**

*তেন্সুবম সিবানন্দ সিংহ, পোইরৌখোংজিন অৱাং লৈকায়, কাইনা রোদ মনারৈ মখোঙ*

দ্রো ওৎপদা মরাইবক ফবা ওইখ্রবা

**খুদোলপোৎ লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

ওগষ্ট ২৮, নোংমাইজিং নুমিৎগী নুংথিল পুং ৪:০০;

হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

---

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৯**

১। ‘হজ্জ’ উপন্যাস অসিগী অইবদু কনানো? *ঃ- পাচা মৈতৈ*

২। ‘‘বুদ্ধিগী ৱাসিদি/ভাব তাদ্রে ঐখোয়দি/হৌজিক হায়বসিবু কৈদৌঙৈনো।’’ কবি কনানা হায়বনো? *ঃ- রাজকুমার ভুবনস্না*

৩। ‘অমংবা নোংলক্কী নোংথাং’ ৱারীমচাগী লাইরিকসিগী অইবীদু কনানো? *ঃ- সত্যবতী নিংঙোম্বম*

৪। ‘মচোই তারবা তাইবঙ’ মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো? *ঃ- এম মনি মৈতৈ*

৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞ *ঃ- লৈশাংথেম রামসিংহ*




---

লমকোয় ৱারী

# রুশ লৈবাক্তা থাবুম অমা

*(হান্নগী মখা চথজরকপা...)*

সেক্রেটরীনা মহাক্কী কাদা থেৎপা, ফ্রেম চনবা ফোটো অমখক য়েংহল্লি। ফোটো অদু মতম অমগী নাজিশিংনা তূম্না মাঙহনবিখ্রবা মিংস্ক টাউনগী ওইখিবা মশক্নি। বোম-তোপ, নোংমৈ মরু লীশিং-লীশিংনা পানখিবা ফিভম শোক্লবা মিংস্ককী ব্যুল্ডিংশিংনি। মদু উরগা, নীংশিংলগা মখোয় ঙসিসু কপহৌরি। কয়াদা ফজরিবা ৱাখল্লোন্নো। কলচর তৌবা হায়বসি মসি ওইরম্মী। অপীকপা অঙাঙ ফাওবা মমারোল, ময়েক নুংশিবগী ৱাখল্লোন লোইনা চেল্লম্মী। মখোয়না ঐখোয়বু লাক্লবা কৌরক্লিবসি মসি খঙহন্নবা উহন্নবনি। অঙাঙশিং অদুনা মখোয়গী ডাইরিশিংদা ঐখোয়গী মিংশিং,ঐখোয়গী ময়েক্তা ইরম্নবা পীরকখি। নুমিৎতু কয়াদা মমল য়ামখ্রবা, সোভিয়েৎকী অদুক য়াম্বা মফম চৎলকপদা অদুক নুংশিবা থৌরম ফংলকখিদ্রি। ঐখোয় লোইনমক মখোয়গী ডাইরিশিংদা মৈতৈ ইয়েক্তা ইশাগী মিং, লৈফম ইরমখি। ঐখোয়গী ইয়েক উবদা মখোয়গী মমিংশিং মৈতৈ ইয়েক্তা ইবীরম্মু অমুক হায়রকপা কাঙবুসু য়াওরক্তুনা অমুকসু ইরমখি । সোভিয়েতকী মনাৎ য়োকখৎপা, কলচর তৌবা ওর্গেনাইজেসন অমগী মফমদা ঐখোয়গী ইয়েকনা ইদুনা থমলম্বগী নুংঙাইবদু হৌজিকসু ফাওরি । “ডি গ্রেট পেট্রিওটিক ৱার” অসি ঙসি ফাওবা কাওঙমদনা মিংস্কতা শোন্নরিবা থৌদোক্নি। বাইলোরুশিয়ানশিংবু নাজিশিংনা ওৎখিবা, মীওৎ-মীনৈ অদুগী অকী-তুজুংবা থৌদোকশিং অদু ঙসিগী মীরোল ফাওবনা নীংশিংদুনা লৈরি। মখোয়না লুচিংদুনা ঐখোয়বু খাটিন খুঙ্গং তান্না পুবীদুনা লৈ কৎহনখি। ঐখোয়না উরকখিবা খরগী মনুংদা থম্মোয়দা থূক লাওবা ফাওখিবদি ‘বেলস ওফ খাটিন’ অসি অমনি ।



J.Kaminsky



A.Baranovskep



V.Zhelobkovich

KHATYN,S VICTIMS,USSR

**খাটিনগী কাংশিশিং ঃ**

মিংস্কতগী কিলোমিটর ৫৪ অৱাং-নোংপোক ওইরপ্পা চৎলগা খাটিন খুঙ্গং লৈ। খুঙ্গং অসিদা ‘অন কঙ্কর মেন’ (Unconquered Man) হায়না খঙনবা নীংশিং মিতম অমা লৈরি। মিটর তরুক ৱাংবা ব্রোঞ্জনা শাবা নীংশিং মিতম অমদি অচৌবা কাংশিগা লোয়নবা চিমনি ২৬ না তোংঙান-তোংঙানবা মোংফমশিংদা নীংথিনা খিন্দুনা থল্লি। মশীং লাকঙমদ্রবা টুরিষ্টশিংনা নুংতিগী ‘বেলস ওফ খাটিনবু’ য়েংবা লাকই। পুংজা খুদিংগী মোংফমশিংদগী মথন্তা খীঙলকপা কাংশিগী খোঞ্জেলনা মফমদু নীল্লি। মীকুপ খুদিংগী কি-তুজুংলবা থৌদোকশিং অদু কাংশিশিংগী খোঞ্জেলশিংনা নীংশিংহল্লি । খিন্দুনা থল্লিবা ‘অন কঙ্কর মেন’ মিতম অসিনা য়েংবা লাকপশিংদা ৱারী লীরি। “For a world without weapons and wars” চহী কয়া চুপ্পা জর্ম্মনগী নাজিশিংনা বাইলোরুশিয়াশিংবু তমথিনা ওৎ-নৈদুনা লাকখি। মীনুংশি য়াওদনা মখোয়গী খুবামনুংদা বাইলোরুশিয়ানশিং চলহন্দুনা তৌনিংবতা তৌরকখি। নুপী-অঙাং, অশোনবা অহল-লমন, মীচম কয়াবু তমথিনা হাৎতোকপীখি। নীংতম্বা মাঙলবা বাইলোরুশিয়ানশিংনা, নীংতম্বা অমুক হঞ্জিন্নবা মখোয়গী মথক্তা লাল হৌরকখি। তমথিনা ওৎ-নৈখিবগী মথৱায় চাক্লবা মীয়াম্না হৌরক্তুনা, জর্ম্মন ওফিসার অমা হাৎখি। মদুগী লমন খুন্বা ওইনা নাজিশিংনা, মার্চ তাং ২২,১৯৪৩ নুংথিলগী পুং ২তাবা মতমদা খঙহৌদনা কোয়শিল্লকখিবা নাজিশিংনা অপীকপা খুঙ্গং অসিদা লৈজবা য়ুম মশিং ২৬ তূম্না মৈ থাখি হায় । মীচম ১৪৯ অঙাং ৭৫ খুঙ্গং ১৮৬ উৎ ওলহনখি । টেঙ্ক থৌজিল্লক্তুনা খাটিন খুঙ্গং অসি নৈখায়রকখি। মশিং খঙদ্রবা নোংমৈ মরুশিংনা নোং চুবগুম খুঙ্গং অসিদা হৈথরকখি। নুপী-অঙাং, অশোন-অনা অমত্তা খাক্তবা মখৈ য়ুম মনুংদা হোইজিল্লগা মপান্দা শো লোন্দুনা থমলগা মৈ থাখি, নোংমৈ কাপশিনখি। কপ্প-লাওনবগী খোঞ্জেলশিংদু নাজিশিংনা ঈশৈ ওইনা তাখি। পুং খরগী মনুংদা খাটিন খুঙ্গং উফুল ওনখি হায়না পাউদমলকখি। থৌদোক অদুদা লোৎতুনা লৈহৌখিবা অঙাং নুপামচা VIktor Zhelobkovich (7 years) অমদি Anton Baranovskep (12 years) অনীগা, মশা পুম্নমক চাদা ৩০ গী চাংদা মৈনা চাক্লবা, নোংমৈ মরুনা পান্দুনা শোক্লবা, চহী ৫৬ শুরবা মীয়াই চল্লবা, য়োৎ শূবনা শিনফম ওইজবা Joseph Kaminsky গা মখোয় অহুমতমক হিংহৌখি হায়না থৱায় শোক্লা ৱারী লীবিরকখি।

মিংনা উহৌবা থৌদোক অসি Joseph Kaminsky না থৌদোক থোকখ্রবা তুংদা মীয়ামদা লীদুনা তাহনখিবনি। মহাক্কী মিৎমাংদা চহী ১৩ চঙলকপদা ঙাইরিবা মচানুপাবুসু মাইকৈ কয়াদগী এল.এম.জি নোংমৈনা মশীং খঙদনা কাপশিন্দুনা নাজিশিংনা হাৎতোকপিখি। মচানুপাদা নোংমৈনা লেপ্তুনা কাপশিল্লকপদা, মচাগী হকচাং অদু লৈমাইদগী ফুটখায়মুক ৱাংনা পাইখৎলগা, ওন্দুনা লৈখি। থৌদোক্তু উবদা মহাক ৱান্থখি। মহাক মশাসু ফিভম কায়না শোকপনা মখোয়না শিরবনি হায়না হুন্দোকপীরমখি। মহাক্লা ৱাখল লাকপা মতমদা খুঙ্গং অদু মৈগী তাঙ্গোই ওল্লম্লে। মৈখুনা পুংমম মমলমখি। নোংমৈনা কাপশিনবীখ্রবা মচানুপাগী হকচাং মাদুনা অমম্বা মৈখু মরক্তা ৱানা থিরকখি। অশিবা হকচাং মরক্তগী মতৎ-মতৎ তৎলবা হকচাং অদু কোনখৎপীরগা মাইকৈ খঙদনা থোকলকখি। লাল লোইরবা মতুং,ইংকুমজা ১৯৬৫দা খাটিন খুঙ্গং অসিদা শিখিবা মীয়াম, Joseph Kaminsky অমদি মচানুপাগা অনীদা কৎথোকপা ওইনা “The Unconquered Man” হায়না মিংথোনবা মিতম অসিগা চেমনিশিংগা লোয়নবা বেলশিং অসি মোংফমশিংদা নীংশিং খুদম ওইনা শাখি। মফম অসিদনি, ঐখোয়না এরোপ্লেট তোংদুনা য়েংবা অমদি কোক নোনবা লাকখিবসি। নীংশিং খুদম অসিনা হায়রি-“BE VIGILANT” অদুগা অমুক মোংফমগী নুংপাক্তা ইদুনা ময়েক লানা, মতম পুম্বগী কাওদনবা ইদুনা থম্বিরল্লি-

> “Let the wind wail and the storm roar;
> Nothing will ever drown
> the sound of the tragic bells.”

নুমিৎতু ঐখোয়গী ইন্টরপৃটর জুলিয়াগা মতম শাংনা ৱারী শাবা ফংখি। লানগী লোইনাইদ্রবা মখোয়গী ৱারী ময়াম অমা তারগা ইশাসি শোন্থখি। খাটিনগী ৱারীসি তারুরগা, খুঙ্গংদুনা ৱাখিবা চৈনাদু ঐঙোন্দসু ফাওরকই। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওদা ঐখোয়গীনা “জপান লান” হায়না খঙনবা লানগী ৱারী অসিগা “চহী তরেৎ খুন্তাকপা” ৱারীসিগা, ঐহাকসু জুলিয়াদা লীখি। ৱারীদু তারগা ঐখোয় পূন্না ৱামিন্নখি। থৌদোকশিং নীংশিংমিন্নখি। ঐখোয়না তৌবা ঙল্লরোইদবা কল্লকপা অমখক্তি মখোয়দা লৈরি। মখোয়গীনা নাজিশিংনা ওৎখিবা, হাৎখিবা, ফারগা পুখিবা মীগী মশিং, মমিং-মথা লোইনমক খঙবা ঙমহৌবা, নীংশিং খুভম ফাওবা শাদুনা থমহৌবা ঙম্বা অসিনি। ঐখোয়গীদি হিস্ট্রিয়ানশিংনা ৱারী ওইনা, খরা থমলম্বা অসিনা লোইরে। মীপুম খূদিং খঙহনবগী, নীংশিংনবগী খুদম অমা ফাওবা মফম চানা শাদুনা থম্বা ঙমদে। চহী তরেৎ খুন্তাকপদা, করম্বা মফমদা কনাগী মচা-মশূশিং অৱানা হাৎখিবগে ? কনাগী য়ূম মৈ থাখিবগে, খুবাক ময়াইদা য়াইরিনা লেংখি হায়নরিবা অঙাংশিং কনাগী মচাশিংনো, করি মমিং কৌবগে ? অঙাং মশিং কয়ানো অমত্তা চুম্না তাকপা ঙমদে ৱারী ঙাক্তনি। মসি ঐখোয়গী রেকোর্দ তৌহৌদবগী অশোয়বনি। অসিগুম্বসিদি, মীনা রেকোর্দ তৌহৌবনা হেল্লি। ময়ামসি উরুরগা অমদি তারুরগা পূক্নীংদা থূক লাউবা, ফিজিকেল্লি, মোরেল্লি লমন খুম্নিংবা, মমা লৈবাক্কীদমক কৎথোকনিংবগী ৱাখল মখোয়দা চেলহল্লি। মসিনি ঐখোয়গা খেন্নরিবসি। ৱারী ময়াম শানরবা মতুংদা ঐনা জুলিয়াদা হংখি ,

- জুলিয়া নঙগী তুংদা ওইগে খল্লিবসি করিনো ?

- ঐগী অপাম্বা, ঐনা তৌগে খল্লিবদি, জর্ম্মন্না শাবা ঙমদবা,পুথোকপা ঙমদবা জহাজ অমা শানবগী, অনৌবা ফোরমুল্যা অমা পুথোকপনি। মখোয়গী মথক্তা লমন খুম্বা পাম্মী।

ঐনা খনখিবা পাউখুমদুগী ওন্নবদা মানা য়াম্না থাজদনা খুমলকখি। ঐহাক জুলিয়াগী পাউখুমদা ঙকপা পোকখি। ঐহাক্লা খল্লুবনা-ডাক্তর, ইঞ্জিন্নিয়র, আর্কিটেকচর, লোয়র ওইনিংঙি সুমাইনা হায়রক্কনি নীংলুই। মাগী পাউখুমসি ঐগী থাজবগী ৱাংমদনি। মখোয় ঙসি ফাওবা জর্ম্মনবু শাউরি, লমন খুম্বা পাল্লি। লমন মখূমদি লান তৌরগা নত্রগা ঈগী লমন ঈনা শিংবদু নৎখিদে। চাউখৎপনা পুরকপা লৌশিংগী মঙালনা মখোয়বু মমিৎ তাঙহনবনি, মনা পঙহনবনি। মাদি অনৌবা টাইটানিক জহাজ অমা শাবগী অনৌবা ফোরমুল্যা পুথোক্লবা মঙ মঙলল্লি। কয়াদা থাক ৱাংলিবা লমন খুম্নবগী অনৌব ৱাখল্লোননো ? ঐখোয়গী লমদমগী নুপী মচা অমা ওইরবদি মোদেল্লর, এয়ার হোস্টেজ কাইনা হায়গনগদবা শক্তানি। মফম-মফমগী ৱা হায়দুনি। মাগী টেলেন্ট হেন্না য়েংনিংলকখি। সোভিয়েটকী লৈশাবী অমগী হেন্দ রাইতিং উনিংলকখি, মহাক্কী অঙ্ক খুৎহোৎ-লাকহোৎ খঙনিংলক্তুনা, এলজেব্রাগী-রিজোলভ ইনটু ফেক্টারাইজগী অঙ্ক অমখক, মফমদুদা হোৎলক্লবা পীখি । মহাক পাক হোৎখিদে, ঐনা পীরিবা অঙ্ক অদুদা য়েংলগা ৱাখল য়াম্না খনখি।

*(মখা মথং নোংমাইজিংদা)*

*(লমকোয় ৱারী অসি মাখোনমনি মোংশাবনা ইবা চীংলোন অমদগী অমদা হায়বা লাইরিক্তুগী লৌখৎচবনি)*

---

# লোন্থোক্ত্রবী মাগী তেংথাখোল

## (পাউচে অসিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱারীমচা চাংদম্নবা - ২০১৫ দা য়াওখিবা)



**—উষা কামৈ—**

**খুম্বোং মমাঙ লৈকায়**

**থাজ** মশক মতৌ চঙখোনবী, য়েংবদা নুংশিবা পোকপা নুপীমচা অমনি। ইনখৎলকপা মতম ওইবনা অউবা মীনা মহাকপু মীতাদবা য়াওদে। অদুবু লাইবক থীবদি থাজ লোল থোক্তে অদুগীসু মথক্তা মমা অতোনবীনা য়োক্লকপনা লাইরিক লাইশু তমহল্লক্তে। থাজনা চহী অহুম মরি শুরকপদা অপোকপী মমা লায়ওং খঙদবা লায়না অমনা নাদুনা লৈখিদ্রে। মদুগী মতুং ইকান কান্নদনা মপানা নুপী অতোনবী অমা পুশিল্লকখি। অদুবু লাইবক থীবদি অতোনবীদুনা মচানুপা অমা পোক্লবা মতুং চহী মরি-মঙা লৈরগা থাজগী মপা এক্সিদেন্ট অমদা লৈখিদ্রে। মদুগী মতুং থাজবু ওৎপী নৈবীবা হৌরকখি। উপায় লৈত্রবী থাজ অহিং নুংথিল অনীমক্তা কপচবনা মশরুক ওইখি। থাজগী মঙং মতৌদুদা লৈকায়দুদা লৈমিন্নবী থাজগী মমান্নবী লৈরাংনা মমাতোন্দা কন্না হায়জবদগী মখোয়গী মনাক্তা লৈবা এমব্রোইদ্রি সেন্টর অমদা মখোয় অনী পূন্না ফি তুবা তল্লম্মী।

নোংমা মখোয় অনীনা ফি তুফমদগী হল্লকপগী লম্বীদা মশা য়াম্না নানবা মশক মতৌ ফজবা নুপা অমনা গাড়ী মচা অমা থৌরগা শুম ইন্নরগা থাজগী মীং, লৈফম হংবদা লৈরাংনা খুম্মী, ‘মাগী মীংদি থাজ কৌবনে, দদাগীনা করি মীং কৌগে, লৈফম্না কদায়দগীনো। নুপাদুনা অমুক খুল্লকই ‘ঐগী মীংদি তোমথিল কৌজৈ, ইম্ফালদগীনি। অদো থাজদি ৱাগা অমতা ঙাঙদে কৈদৌরে? মাগী ৱাদো তারগা লৈরাংনা নুংঙাইতনা খুল্লকই “দাদা মাদি লাইবক য়াম্না থীরবীনি। মহাক লোল থোক্তে। ঐখোয় চৎলগে দাদা হায়রল্লগা মখোয় অনী লাক্লে। থাজদি নুপাদুবু খোয়দারুরমাল্লে অহিংদুমা মীকুপ অমফাওবা তূমদনা নুপাদুগী ৱাখলদা নোঙানবা খঙহৌদে।

ঙসিসু মখোয় অনী ৱারী শানা-শানা লম্বীদা লাকই। থাজগী মোমোন্নবী মায়থোংবু উরগা লৈরাংনা লক্নরকই, মী মচাদি য়াদেকো ইম্ফাল মচাগনা ঙাউনৈকো” অদুদা থাজনা সাইলেন্ট এক্টিং তৌরগা হায়রকই “ঐঙোন্দা ওইরম্লোই নঙোন্দা ওইরমনি” লৈরাংনা নোক্লগা খুল্লকই খঙজরে ইবেম্মা অদো মানা নুংশি হায়রদি নঙ য়াগদ্রা হায়য়ো সে হায়য়োবা, মখোয় অনী ৱারী শান্নরগা শুম লাকপদা ঙরাংগী নুপাদু অমুক ঙায়রগা লৈরম্মী। মখোয় অনী উবদা খঙহৌদনা কৌরকই, থাজ অমুক্তা ঙাইখোবা ঐ ৱামতা হায়গে লান্নদি খনবীগনুকো, ঐ নঙবু য়াম্না নুংশি, হয়েং মফমসিদা ঙাইরমগে নঙগী অশেংবা পাউখুম অমা খঙহল্লকউ ঐ চৎলগে, নুপা অদু চৎখ্রবা মতুং মখোয় অনী য়ূম য়ূমদা হল্লক্লরে।

লৈরাংগী মতেংনা মখোয় অনী য়াম্না লায়না পাউ ফাওনরে। হৌজিক্তি মখোয় অনী নুংশিনরকপা চহী অমা ফারক্লে। তোমথিলবু ফজনা থাজবদগী মখোয় অনী তৎতনা কোয়বা চৎমিন্নে। রেষ্টুরেন্টদা কয়ারক চঙদুনা থাজনা তোমথিলগীদমক কৎথোকখি। মদুগী তুংদগী নুপা অদু অমুক হন্না লৈকায়দুদা লাকখিদ্রে। লৈরাংসু মোইরাংদা মনেগী মনাক্তা লৈখিবা চহী অমা শুরে। থাজ থম্মোয়গী অৱাবা ৱারীদো পাউদমফম লৈজদা অহিং কয়া কপ্পা লেনখি।

নোংমদি থাজ তোমথিলগী ফোটোদো পুরগা ইম্ফালদা লাক্লে। তৌফম খঙদা মখোয় অনীনা উনখিবা রেষ্টুরেন্ট অদুগী মপুদা ফোটোদো খঙব্রা হংবদা খঙদে হায়রকই। উপাই লৈতা মফম অদুদা চৎলিবা মী খুদিংদা হংবদসু খঙদে লোয়না হায়বিরক্লে।

মফম অদুগী অতোপ্পা নাকল অমদা মহাক্কী মতৌদু তোমথিলনা মমান্নবা অনীগা লোয়ননা সন গ্লাস অনোক উপ্পগা কার মনুংদগী লাপতক খাল্লগা নোক্লগা য়েংঙি। মমান্নবা অনীদুনা হায়রকই “বাই অসিদি লোল থোক্ত্রসু পোজ তাইহে, ঐখোয়মুক লায়বক চাং য়েংলুগে হায়রগা চৎখ্রে। থাজগী উপাই লৈত্রবা মতৌ অদুদা মখোয় অনীনা ফোটোদু য়েংলগা হায়রকই, মসিদি ঐখোয়গী ইমান্নবনি, মাদি মনুংদা ফমহৌই চৎসি লাকও হায়রগা থাজবু রেষ্টুরেন্ট মনুংদা মখোয় অনীনা পুশিনখ্রবা মতুং নমদুনা ঈজৎ মাঙহনবীখি। মখোয় অনী নোক্লা নোক্লা থোরক্তুনা তোমথিলনা তোংলিবা কার মনুংদা চঙখি। তোমথিলনা হংলকই, কমদৌগে অদুম ... হায়রগা মখোয় নোক্লগা গাড়ী থৌরকপা থাজনা সোরোক মপান্দা লেপ্লিঙৈদা উখি। উপাই লৈতনা থাজ কপ্পুনা লৈহৌখি। মথম্মোয় চাক্লবী থাজনা তোমথিলগী মথক্তা লমন খুমগে মতাগুম ওটো অমা তোংলগা তোমথিলগী কারদু তান্নরকই। তোমথিল ময়ূমদা চঙহৌরগা মমান্নবশিংদু কার থৌরগা চৎখ্রে। থাজ ওটোদগী কুমথরগা তোমথিলগী য়ূমদা চঙলক্তুনা মহাকপু মাগী নুপী ওইনা লৌশিনবীনবা কপ্পগা হায়জখি। তোমথিলগী মমা মপানা হায়রকই, করিনো তোমথিল নুপীমচাসিনা হায়রিবসে, মরোলসু থোক্তবা মাল্লিনে।

তোমথিলনা থৌ-ৱা ইশা শাদনা হায়রকই, ‘ইমা ইমুংদা চঙলসি লাকও মসিগী নুপীসে অঙাওবীনে সে সে লুপা ৫০ সিনা হোটেলদা চৎলগা চাক হাওনা চাথোকউ’ অসি হায়রগা মখোয় ইমুংদা থোঙ লোনশিল্লম্লগা চঙখ্রে।

থাজ উপাইদি লৈজদা থম্মোয় শোক্লা কপ্লবা মতুং মপূক্নিংদা খঞ্জখি ঐ সংসারসিদা হিংলুবগী করিবু কানরুগনি শিখিবনা শরুক চাম্মা হেন্না ফৈ খন্দুনা মানা ইল্লকপা চুনি ফিদুনা তোমথিলখোয়গী থোঙ্গাল ময়াদা হৌবা হৈনৌ পাম্বী অদুদা য়াল্লগা শিজগে থৌরাং তৌখিবা মীকুপ্তা কদোমদগী হুল্লকপা ৱাখলনো খঙদে থাজগী ৱাখলদা থৌনা অমা লাকখি। করিগী ঐনা শিরুনি, ঐ মীতৈ নুপীনিনা মখোয়গুম্বা কয়াবু ঐনা করিগী কিরুনি। ঐ থৌনা লৈনা হিংখিগে ঐহাক্কুম্বী লায়বক থিবী চাম্মা চাম্মনা হিংবা ঙল্লগা ঐনা করিগী ঙল্লোই।

ৱাখলসি খল্লদুনা থাজ অহিংদুমা তোমথিলহোয়গী শঙ্গোয় মচি অমদা তূল্লে। নোঙাল্লে তোমথিল মখূৎতা ব্রশ পায়রগা পুখ্রিদা চিন শেংবা থোরকপদা শঙ্গোয় মরুমদগী মখূৎতা থাঙ অমা পায়রগা থাজ অঙাওবীগী মতৌগুম চেনথোরক্লগা তোমথিনবু হঞ্জিন-হঞ্জিন থাংনা থিল্লগা খোঞ্জেল থোক্তনা মপি শিন্থরগা থাজ কপচখি। তাঞ্জা অদুদা তোমথিলগী নুপীনা ৱাই শিৎপা থোরকপদা থেংনবদগী লাউরকই। ময়াম চঙদুনা থাজবু তান্নরকই। থাজসু তৌফম খঙদ ঈ তৈরবা থাঙ অদু পায়রগা মফম মরাং খঙদনা চেল্লকপদা লৈরাংগা থেংনখি। লৈরাংনা ইপা পাখৎনা থাজদা করিনো তৌরিসিদি, নঙবু মী হাৎলুরব্রা, তুংদসু মী ময়াম্না তান্নরক্লে লাক্লো কপ্তুনা লৈরনু ঐ লৈরিসিদি থৱায় হিংনবা পুলিসতা চঙজরসি হায়দুনা মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসন অমদা চঙজখি।

পুলিসনা মখোয়বু মমিং, লৈফম হংলকপদা লৈরাংনা খুম্মী সার মহাক্কী মমিং থাজ কৌই। ঐখোয় অনীমক অথাপ্পা খুঙ্গংদগীনি। মাদি লোল থোক্তবীনি, লৈরাংগী পাউখুম মরক থৎলদুনা পুলিসনা ইবেম্মা করি মরমগী নহাক্লা মী হাৎলুরিবনো হায়বদো সে চেসিদা মরীক চুম্না ইরকউ ককা লৈরিসিদি করিমতা চিংনগনু হায়রকখি। পুলিস ওফিসরগী ৱাদু তাবদা লৈরাংনা হায়রকই, সার মহাক ইবা-পাবা হৈতে ঐ অশেংবদো লোয়না হায়জগে হায়রগা লৈরাংনা হৌখিবা থৌদোক পূম্বা অমত্তা চিথদনা তল্লগা তোমথিলগী ফোটোদু শিন্নে।

পুলিস ওফিসরনা হায়রকই, থাজ নঙগী থৌনাগীদমক ঐনা নঙবু থাগৎলি অদুবু আইনগী ৱাংমদা থবক তৌরম্বগী মতম খরদি নহাক জেলদা লৈবা তারে। পুলিস ওফিসরগী ৱাদু তাবদা থাজ থম্মোয় পেন্না কপচদুনা লৈরাংবু চেজেৎ কোনশিল্লি। লৈরাংনা মপি তৈথোকপীরগা হায়রকই, থাজ নঙ করিগী ৱারিবনো কপকনো সে ঐ লৈরিসিদি। অফবা উকিল অমা তানরগা নঙবু থুনা লৌথোক্লবা ঐনা শিনগনি। ঐনা নঙবু উনবা তোয়না লাক্কনি সে কপ্পা তোক্লোসে থাজ, থৌনা লৈয়ু ঐ চৎলুখিগে, নিংথিনা লৈরম্মুকো থাজ। অসি হায়রল্লগা লৈরাং থোরকখি। থাজ মথন্তা জেল মনুংদা লোন্থোক্তবী ঐগী তেংথাখোলসে কনানসু খঙবিরল্লোইকো খন্না খন্না থম্মোয় শোক্লা শোক্লা কপখি।